# পাটিয়ালাগী নেসনল কেম্পতা হৌজিকসু চাং নাইনা নোংমদা পুং তরেৎকী চাংদা অকনবা ট্রেনিং চথরি



সাইখোম মীরাবাই চনু
*(ব্রেথ লিফটর)*

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

ব্রেথ লিফটিংদা মীৎয়েং অমা

(ঙরাংগী মখা)

হৌজিক হৌজিক পটিয়ালাগী নেসনল কোচিং কেম্পতা চাং নাইনা ট্রেনিং তৌরিবী মীরাবাই চনুনা মহাক্কী ওইবা ৱাফম খরা পাউদম্লদুনা অসুম্না হায়রকখি, ঐহাক্না কুমজা ২০১৬কী রিও ওলিম্পিক গেমসতা পীখিবা পর্ফোমেন্সতু হৌজিকসু ইথন্তা খল্লুরগা নুংঙাইতবা ফাওরকই। মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা কম্পিটিসন অদুদা ঐহাক ইশাগী ওইবা অশোনবা খরা লৈখিব্রা হায়না খল্লি। রিও ওলিম্পিক্কী ট্রায়লদা পীখিবা অদুমক ঐসু থাঙ্গৎলম্বা তারবদি ওলিম্পিক মেদল অমদি পুরক্লম্বা য়াবনি। কম্পিটিসন অদুদা ঐহাক্না করিমত্তা থাঙ্গৎপা ঙমখিদবদু করিগীনো হায়বা খল্লুবদা হৌজিকসু ইথন্তা চম্মনবা ফাওই। ঐখোয়গী ব্রেথ কাংলুপ্তা পুন্না শরুক য়াখিবসি লিফটর ১২নি। চহীদুদা ঐদি করিমত্তা থাঙ্গৎপা ঙমদনা হল্লকখি। রিও ওলিম্পিক ২০১৬ অদুদা ঐহাক্না মেদল পুরক্লম্বা তারবদি ইন্দিয়াগী ওইনসু সিদনি ওলিম্পিক ২০০০দা অন্ধ্র প্রদেশকী কর্নাম মালেশ্বরীনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা অদুগী হেক মথং অনীশুবা ওইনা ওলিম্পিক মেদল পুরকপা ঙন্বী লিফটর ওইরমগদবনি। অদুবু লাইবক্তগা তম্লমদবনা ঐহাক মেদল কাংলগা হল্লকখি। মদুগী মতুংদা মীৱা-মীশা ময়াম অমসু ঐহাক তাখি। অদুদগীনি ঐহাক্লা ইশাগী ইরমদম মণিপুরদফাওবা থোরক্তনা মখা তানা অকনবা ট্রেনিং তৌজরকখিবসি।

রিও ওলিম্পিক্তা ঐখোয়গী ব্রেথতা গোল্ড মেদল লৌখিবসি থাইলেন্দগী সোপিটা টসনাসাননি। সিলভরনা ইন্দোনেসিয়াগী লিফটর ওগষ্টিয়ানিনা ফংখিবনি। অদুগা ব্রোঞ্জনা জপানগী মিয়াফেনা লৌখিবনি। শাংলবা চহী মরি অসিদা, অনৌ অনৌবা এক্সপিরিয়েন্স কয়া অমসু লাকখ্রে। অচৌবা কম্পিটিসন অমা মায় পাক্লা থেংনবা ঙম্নবা হকচাংদা নত্তনা পুক্নিং ৱাখল অসিসু মপাঙ্গল কন্না থমদবা য়াদে হায়বসি রিও ওলিম্পিক্তগী অচৌবা পারা অমা ওইরকখি। থৱায় হকচাং য়াওনা চেকশিন্না হোৎনজরকপদগী কুমজা ২০১৭কী নবেম্বর থাদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী অনাহেমদা পাঙথোকখিবা 'ৱর্ল্ড ব্রেথ লিফটিং চেম্পিয়নশিপ'কী কিলোগ্রাম ৪৮গী কাংলুপ্তসু ঐহাক গোল্ড মেদল লৌরকপদা নত্তনা ন্যু নেসনল রেকোর্দসু থম্বা ঙমজখি। কুমজা ২০১৭কী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অদুদা ঐহাক্না থাঙ্গৎচখিবদু স্নেচতা কিলোগ্রাম ৮৫, ক্লিন এন্দ জর্কতা ১০৯ পুন্না কিলোগ্রাম ১৯৪নি। রিও ওলিম্পিক গেমস ২০১৬তা সিলভর মেদল লৌখিবী ইন্দোনেসিয়াগী লিফটর ওগষ্টিয়ানিনা থাঙ্গৎখিবদু পুন্না কিলোগ্রাম ১৯২ খক্তনি।



ইন্দিয়াগী ওইনা হৌজিক চথরিবা নেসনল কেম্পকী মতাংদনা মীরাবাইনা অসুম্না পাউদম্লকখি। হৌজিক্কী ইন্দিয়াগী নেসনল কোচিং কেম্পশিংসু য়াম্না ষ্টেন্দর্দ লৈনা চথরে। ঐহাক্না ইন্দিয়া কেম্পতা লৈজরক্লিবসি কুমজা ২০১৩দগীনি। ট্রেনিং তৌবা অসিদসু মখল মখা কয়াগী অনৌ অনৌবা টেক্নিকশিং হাপচিন্দুনা চথরে। হৌজিক অসি ইন্দিয়াগী ওইনা জুনিয়র, সিনিয়র, য়ুথশিং লোইনা পুল্লগা ট্রেনিং তৌমীন্নরি। ইন্দিয়াগী চাওনা থাজবা থমদুনা ট্রেনিং কন্না চথরিবা অপুনবা লিফটরসি ১৫নি। মসিদা নুপানা মঙানি, অদুগা নুপী লিফটরনা তরানি। হৌজিক্তগী মালেমগী ওইনা চৎনরকপা ৱংলগী মতুংইন্না ওলিম্পিক ক্বালিফাইদ ওইননবগীদমক লিফটর অমনা অচৌবা কম্পিটিসন তরুক শান্নদবা য়াদ্রে। অদুনা ফজবা পর্ফোমেন্স পীবা ঙম্নবা দাইতকী, ইশাগী ব্রেথ কন্ত্রোলগী পুম্নমকসি কুপ্না য়েংশিনবগী তঙাইফদবসু লৈরে। ইশাগী অকক্লবা ব্রেথ অমদা লেঙহন্দনা থম্বা হায়বসিসু ঐখোয়গীদি খ্বাইদগী মরুনি। চাং অমদা চপ-চানা থম্বা হায়বসিসু অরায়বা থবক নত্তে। নেসনল কেম্পতা দাইতকীবু ওইরো, খুৎশু-খুৎলাইগীবু ওইরো লোইনমক হৌজিক্তী পেন্দবা অমত্তদা লৈতে। কোচশিংগী মতাংদসু ঐখোয়বু চেকশিন্না কুপ্না শেন্নবীদুনা য়াম্না ফজনা অদুম হোৎনবিরি। অদুবু দাইতকীসিদি ইশাগী ওইবা খরসু থৌরাং তৌদবদি য়াদে। কেম্পতা পীরিবা অসিগী মথক্তা ওজাশিংগা তান্নরগা অহেনবা খরা অমদি চানবা হোৎনজৈ।

হৌজিক ঐনা কিলোগ্রাম ৪৯গী কাংলুপ্তা অকনবা মীৎয়েং থমদুনা হোৎনরিবসি স্নেচতা কিলোগ্রাম ৮৮নি, অদুগা ক্লিন এন্দ জকতা ১১৮নি। কুমজা ২০২০গী টোকিও ওলিম্পিক্তা ঐগা অকনবা লম্বা তৌনগদৌরিবা লিফটরসি হুন দক্তী কোরিয়াগা চিনাগা ওইগনি খল্লি। ... মথং মথং ...




## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৭

১) হিটলরনা জর্মনিগী লৈঙাকপা ওইরিঙৈদা জিয়ুশিংবু ওৎ নৈখিবদা নত্তনা মখোয় কয়ামুকসু হাৎখি। মরম অদুনা জিয়ু শান্নরোয় অমদি লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চেনখি। কুমজা ১৯৩৬তা বার্লিন্দা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকখিবদা জর্মনিনা লৈবাক অদুদগী চেনখিবা জিয়ু শান্নরোয় অদু অমুক হন্না কৌদুনা (মহাক হল্লক্তুনা) ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখি। মহাক্কী মমিং করিনো?

২) ওলিম্পিক গেমসকী টিমগী থৌরম অমদা লৈবাক অমনা কুমজা ১৯২০দগী কুমজা ১৯৫২ ফাওবগী মনুংদা মেচ ৩৭ লক মায় পাকখি, ৩ লক পোখি। লৈবাক অদুগী মমিং পীয়ু।

৩) অহানবা পান অমেরিকান (Pan American) গেমসতা মিটর ১০০গী লমজেলদা মকোক ওইখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈগী চহী ৩৮৮গী মমাংদা ওলিম্পিয়া (OLYMPIA)দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক অমদা তিল্লিবা গ্রিস মীয়াম অদুদা ৱা ঙাঙদুনা তাহনখিবা গ্রিসকী ৱাঙাংলোয় অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## জমসেদপুর এফ সিনা এফ সি গোৱাবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী ২শুবদা হায়গৎখ্রে



Match on 27 Nov. (Wednesday)

NE UNITED Vs MUMBAI CITY

মারগাও, নবেম্বর ২৬(এজেন্সী): গোৱাগী মারগাওদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকখিবা জমসেদপুর এফ সিনা এফ সি গোৱাবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ২শুবা থাক্তা হায়গৎপা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুগী হৌরকপদা জমসেদপুর এফ সিনা এফ সি গোৱাগী মায়কৈদা বোল হেন্না পুশিনবা ঙমখি। শান্নবগী ১৭ শুবা মিনটতা জমসেদপুর ফুটবোল ক্লবনা পুশিনখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী এফ চৌধরিনা পীখিবা পাস অমদা টিমমেট সর্জিও কাষ্টলনা পাঞ্জল ওস্থোক্তুনা এফ সি গোৱাবু মখোয়না পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

মেচকী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাউবদা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফতা এফ সি গোৱানা মখোয়গী মথক্তা অনৌবা টিম অমা ওইরিবা জমসেদপুর এফ সিনা চনশিনখিবা পাঞ্জল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনখি।

মেচ অদু টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী বোল ফংননবা হোৎনবদা মশান্না অসিগী কাংলোনগী ৱাংমদা মুক্লবা কয়া য়াওখিবদগী মেচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ উৎতুনা ৱার্নিং কয়া তৌখি। জমসেদপুর এফ সিগী মায়কৈদগী শান্নরোয় রেফরিনা বুক তৌখি। অমরোমদা এফ সি গোৱাগীসু শান্নরোয় অহুম বুক তৌখি। শান্নবগী লোইশিল্লকপা ফাওবদা এফ সি গোৱা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীখি।


# INDIAN NAVY

## An Ocean of Opportunities

10+2 (B.TECH) CADET ENTRY SCHEME (PERMANENT COMMISSION)
COURSE COMMENCING – JUL 2020

Indian Navy invites online application for a four year degree course under the 10+2 (B.Tech) Cadet Entry Scheme from unmarried eligible Male candidates who Passed Senior Secondary Examination (10+2 Pattern) or its equivalent examinations from any Board with at least 70% aggregate marks in Physics, Chemistry and Mathematics (PCM) and at least 50% marks in English (either in Class X or Class XII).

**Age Limit.**

Born between 02 Jan 2001 and 01 Jul 2003 (Both dates inclusive).

**Note:**

(a) Candidates are to register and submit their application on the recruitment website www.joinindiannavy.gov.in from 29 Nov to 19 Dec 2019. To save time during the application submission window, candidates can fill in their details and upload documents in advance.
(b) Online (e-application):- Whilst filling up the e-application, it is advisable to keep the relevant documents readily available to enable correct filling up of personal particulars.
(c) Details are to be filled up as given in the Matriculation Certificate/12th Certificate.
(d) Fields such as e-mail address, mobile number are mandatory fields.
(e) All relevant documents (preferably in original) Date of birth proof (as per 10th /12th certificates), 10th marksheet, 12th marksheet, JEE (Main)-2019 score card (indicating All India Rank) and a recent passport size colour photograph should be scanned in original in JPG/TIFF format, for attaching the same while filling up the application.
(f) If any scanned document is not legible / readable for any reason, the application will be rejected.
(g) Print one copy of online application form and carry it along with original certificates/documents while appearing for SSB interview.

**IMPORTANT –**

(a) The full advertisement regarding detailed information and selection procedure will be published in Employment News dated 23 Nov 19 and will also be available on www.joinindiannavy.gov.in. The candidates can apply 29 Nov to 19 Dec 2019. It is advisable to apply early, to avoid network congestion on last date.

(b) Please read the instructions given on the website carefully before finally submitting your online application.

(c) Your application is subject to subsequent scrutiny. The application can be rejected, if found INELIGIBLE/INVALID at any point of time.

(d) After closing of online application, no request will be entertained for amendment in the uploaded documents.

(e) Your candidature will be cancelled if any declaration is found wrong at any stage of selection process.

**(f) The terms and conditions, given in this Advertisement, are subject to change and should, therefore, be treated as guidelines only.**

**Apply online through QR Code**
Step1: Download QR Code Scanner App
Step2: Open QR Code Scanner App and Scan it
Step3: Open URL & follow the instructions

davp 10701-11-0029-1920